# খুন্নুং চক্তা ওইনা হঞ্জিলহন্নীংলে, চাওখৎপগা অমত্তা পামজদ্রে

**ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ**

**চাওখৎপা** হায়বসিনি মীওইবা খুন্নাইনা তান্নরিবসি। মীওইবা নত্তনা মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা কাঙলুপ অমত্তনা চাওখৎপা হায়বসি খঙদব্রা হায়বসি নৈনবা য়াবা ৱাফমনি। চাওখৎপা হায়বসি তশেংনা করিনো হায়না হংলক্লবদি খুন্বদি হেক্তা লাইদবা পোৎনি। মীওইবনা তান্নরিবা চাওখৎপা অসি করম্বা চাওখৎপনো? করম্বা থাক্তা কদাই য়ৌনা চাওখৎপনো তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না তূম্বা-চাবা খঙদনা মমল য়াম্লবা পুন্সিগা লোয়ননা কাউথোক্লদুনা কন্না হিদান্নরিবসে। মীওইবগী অনীংবা-অপাম্বদি পনখৈ লৈতে হায়নরিবা অসিগা য়েংনরুরবদি চাওখৎপগী পন্থুংসু লৈরম্লোই হায়না খল্লি। Research is a never ending process.

মীওইবনা ৱাখল খনবা ঙম্বগী চাং, হৈ-শিংবা হেনগৎলকপা অমদি থবক তৌবা ঙম্বগী চাং হেনগৎলকপা অসিসু চাওখৎলকপা হায়না খঙনগনি। মীওইবনা হেন্না-হেন্না চাউবা য়ূম, গাড়ী, এরোপ্লেন, জহাজ, সেটিলাইট, দাম, লম্বী-থোং, ইন্দষ্ট্রিনচিংবা কয়া শেমগৎ-শাগৎপা ঙম্লক্লিবসিসু চাওখৎলকপনি হায়দবা য়ারোই। অদু ওইরবদি পোল্ল্যুসন, গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্রাইম, খূৎলায় লমজেল, ঙমখৈগী লান্নচিংবগী চাং সুম-সুম ৱাংখৎলক্লিবা অসিসু চাওখৎলকপা অমনি হায়দবা য়ারোই। মণিপুরসু শাবগী চাং অসি ইন্দিয়াগী চাওখৎখ্রবা সিটিশিং অমদি টাউনশিংগা মান্নরকপগী মওং অমা লাক্লিবসি চাওখৎপগী লমজেলদা য়াওরুবনরা? মালেমগী ওইনা চাওখৎত্রিবা, চাওখৎলক্লিবা অমদি চাওখৎখ্রবা লৈবাক হায়না চাওখৎপগী চাং লেপ্পরিবা অসিদা ট্রাফিক জাম য়াম্না থোকপা, শান্তি য়াম্না লৈতবা ইন দষ্ট্রিএল ৱাষ্ট, ইলেক্ট্রোনিক ৱাষ্ট য়াম্না থোকপা, অইং-অশা কায়রকপগী চাং, ন্যুক্লিয়র ৱেপন লৈবগী চাংনচিংবা কয়াসিসু খন্নবদা য়াওব্রা? চাওখৎলকপগী খোঙচৎ অসিদা ক্রাইম থোকপগী চাং, পুলিস-সিফাইগী বজেটকী চাং, জেল পাকথোক-চাউথোরকপগী চাংসু অদুম হেনগৎলক্কদৌরিব্রা? লায়না অনৌ-অনৌবা কয়া অমা থোরক্তুনা মী অমদি অতৈ থৱায় পানবা কয়া কয়া শিহল্লিবা অমদি অৱাফমদা তাহল্লিবা অসি লায়না লায়ওংগী লমদসু চাওখৎপা লৈব্রা?

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী লমদা ইনফোর্মেসন এন্দ কম্ম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আই সী টি এস) গী লমদা য়াম্না থুনা চাওখৎলকপদগী অতৈ হীরম পূম্নমক্তসু খঙহৌদনা খঙচাউ-চাউখৎনরকখি। God is the creator as well as the destroyer নি হায়বদু হৌজিক্তি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা গোদকী রোল অদু লৌশিল্লক্লব্রা খঙদে, মেরিটতগী দিমেরিটকী চাংনা হেনগৎলকপগুম্বা অমা উরে। Sustainable development কী ৱাখল্লোন অসি হীরম অয়াম্বদা এপ্লাই তৌজরবসু কায়থরকপা অমদি মাং তাকপগী চাংদি ইহন-হন্থদবগুম তৌই। মালেমসি শেম্বদা থোইদোক্লা য়াওরুদ্রবসু থুগাইবদদি মীওই ঐখোয়সে কয়াদা মাঙজিন থারিবা। লাইনীং লম্বী অমদি Spiritualism গী লমদসু অদুম চাওখৎলক্লিবনি। অদুবু মালেমদা হাৎন-শুনবা, নুংশিদবদি অদুম হেনগৎলকপ্রা হায়না নীংই।

নুংশি-নুংশিরবা, ফজ-ফজরবা, কান্ন-কান্নরবা ঐখোয়গী মরুপ কয়া, শা-ঙা, উচেক, তীল-কাং, উ-ৱা, মনা-মশিংনচিংবা কয়া ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্তগী মতম পূম্বগী ওইনা মুৎখ্রে। কয়া অমসু অথুবা মতমদা মালেমদগী মাঙখ্রগনি। মসিরা চাওখৎপা হায়রিবসে। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সিরা হিংচাবা-হিংচবী হায়রিবসে। অসুম্না খঞ্জে।

চাওখৎপদি অসুক য়াম্না চাওখৎলগা নুপী ওইবীশিংনা আ থায়না ফি-রোল মরাং কায়দ্রিঙৈ মতমদুদা শেৎনবা ফিজেৎ অদুগুম্বা কয়া কন্না শেৎকৎনরক্লিবসিনা তাকপদি ঐখোয় পূম্বা খুন্নুংচক্তা অমুক হনজিনবা হৌরক্লে হায়না তাক্লিব্রা? সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী সাইদ ইফেক্টস, দিমিরিটশিং অদুগী চাং হন্থহনবা ঙমদ্রবদি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অসিমক মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা য়েক্লবনি হায়রকপদা কনানসু য়েৎপা ঙমলোইদৌরি।

তাইবঙ মীওইবা (মী + ওইবা) না চুম্নগী শা অমগী থাক্তা লৈরম্বদগী animal instinct কয়াদু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লক্তুনা তৌহৈবা/তৌহৈদবা, অফবা/ফত্তবনচিংবা কয়া খন্থবা ঙম্লকপা অসি চাওখৎলকপগী খুদমনি। অদুবু হৌজিক্তি লাইরিক য়াম্না হৈরুবনা খঙদে, ঐ ইনাকখুলহৌরগা লোইরে, ইচা শিদৌ শরুক মীচা শিরগা লোয়রে হায়বনচিংবা লমলক্কী শাশিংনা চৎলিবা মচৎতগী হেন্না তমথীবা লমচৎ-শাজৎ, ৱাখল্লোন কয়া মী ঐখোয়না চথুরকপসিদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। তাইবঙ মীওইবা নত্তনা মহৌশা লাইরেম্বীগী চৎন-কাঙলোন (নেচরেল লো) অমত্তা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিংনা থুগাইবা তৌদ্রি। মীনা মীগী ৱাখল খন্নরক্তবা মসিগুম্বা খূৎচাওখৎসিদি মালেমসিদা ইচা-ইশুগা থনমদৌবা তনশিল্লক্লে।

মীতৈ ঐখোয়না উমংলাইশিং হরাউদুনা খুঞ্জাও লৈচাওবা, চাকহোং-ঙাহোংবা, নুংঙাই য়াইফবা পুরক্লবা হোৎনরিবসি চাওখৎপা পুরক্লবগা মরী লৈনরমগদ্রা? পুখ্রি মপান্দা হৌবা নাপী খরদু নাপীথাঙ থাঙহাইনা হাইরবসু অদুম য়াবদুদা নাপী হীদাক কাপশিন্দুনা হাৎনবা হোৎনবদা হু চেনবা হীদাক্কী মচুমদু ঈশিংদুদা অমুক তিন্দুনা ঐখোয়গী হকচাংদা অমুক শোকহল্লকপা অদুরা চাওখৎলকপা হায়রিবসে। রোবোটশিংনা থবক পূম্বা শুখিবদগী মী ঐখোয়না লেঙ-ওৎপা তৌদবদগী লোয়না পেরলাইজ তৌদুনা না-নাদুনা লৈবদুরা ঐখোয়না তাল্লিবা চাওখৎপা অসে। ন্যুক্লিয়র বোম য়াম্না লৈবা লৈবাক্তুনা খ্বাইদগী খূৎকন-পাঙ্গনবা অমদি চাওখৎপা লৈবাক ওইনা খন্নরিবসে চুমগদ্রা?

সনা, লুপা, য়োৎ, থাও, কয়লানচিংবা ইচাক-ইরন কয়ানি মীওইবা ঐখোয়না মহৌশা লাইরেম্বীগী মতম্পাক্তগী অহিং নুংথিল নাইদনা কোখোক-কোখোক্তুনা শীজিন্নরিবসি। অদুগা নোংমতসু ইমা মাগী য়াইফনবসু খল্লুবা শংদে। অদুগা শোমদনা মালেম লৈশাবু লাইবক্তগা নমজরি। য়ুনিভর্সিটিসু মশীং থিঙমদ্রে, হোলি বুকসু মশীং ফনা য়াল্লে। অদুবু মালেমসিদা তংদু লৈতাদবা হায়বা লায়নাসিদি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লিব্রা হায়না খল্লি। মীওইবা খুন্নাইখক্তংগী খনবা মানবা মীৎয়েংদা পায়খৎখিবা ৱর্ল্ডগী মেগা প্রোজেক্ট কয়ানা ঙসিদি চাওখৎপগী সাইদ ইফেক্টশিংদু চপ চানা মহাও-মথুম খঙহল্লেদো। রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টকী থবকশিং অসি লেপ্পা কৌবা লৈত্রিবসিনা তাকপদি চাওখৎপগী লমজেল হনবা লৈনদ্রি হায়বনি। কয়াম চাওখৎকদবা ৱাৎলিবনো খঙদে।

তোঙানবা মপূনা তাইবঙ মী অসি করিগীদমক শাখিবনো হায়বদুনি ঐনা য়াম্না নৈননীংলিবসি। মীওইবগী মপান নাইদনা খন্থবা ঙম্বা কোক অমদি হৈশিংলবা, তৌগেদা ঙম্বা খূৎ অনী অসি মালেমসি অমুক্তং লোইশিলহন্নবা শেম্লকখিব্রা হায়বা মরক-মরক্তা খল্লকই। অতোপ্পা থৱায় পানবশিংনা মী ঐখোয়বু নুংশিরমগদ্রা, করি ওইনা উরমগদগে? ঐখোয়না য়োকচবা শা-উচেক খরনা নুংশিবীরমগদবতা মঙাইরে। মালেমগী মপূ অসি মীওইবা ঐখোয়না লোয়না ওইরবদৌনা তৌনীংবতা তৌরিবসি তাইবঙ মপূনা অদুম য়াবীবগীরা? মসিরা মপূগী ৱায়েল হায়রিবসে। মীওইবনা চাওখৎনবগী তান্নরিবা লমজেল অসিদি থিংবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রবা পোৎনি। লোয়ননা কাইথখ্রিবা মহৌশাগী খল অসিসু অমুক হন্না মেনখৎপা ঙম্লরোইদবনি হায়নরি। তাইবঙ মী ঐখোয়সে অমুক্তংদি হৈমন-শিংমনবদগী পশিং থোকপা হায়বদু শোয়দ্রবনি। নুংঙাইনবা হেক হোৎনজবদা ঐখোয়সে অদুম ৱাজবনি। হৈ-শিংবা য়োংনা মমৈ চপ্লী হায়বা নুমিৎতুনি ঐখোয় পূম্বনা ঙাইনরিবসে।

---

# জিক্সন সিংহ কৌই হায়দুনবু পঞ্জাবী হেক্তা ওইরদ্রা

**পি ইবোয়াইমা**

***“New Delhi, Oct 9 (Agencies):*** *Host nation India faced their second defeat at the 2017 Fifa Under-17 World Cup as they lost to Colombia* ***2-1*** *….. while* ***Jeakson Singh*** *bagged a historic goal for India. India’s moment of the night would come on the stroke of the 82nd minute, as the* ***tall Punjabi midfielder Jeakson*** *would head a Sanjeev Stalin corner home to give the home team their first-ever World Cup goal as the JLN stadium erupted, in anticipation of a point.”* মথক্কী পাউ মতেক অসি কল্লগা ফেসবুক্কী মীং অমদা থাগৎলক্তুনা, পাউ অসিবু য়ানীংদবা অমদি ফোঙলক্লিবা পাউ অদুদা চুমথোকপা ওইনসু ৱারোলশিং পীরকখি। মসিগী মখাদা মীওই কয়া অমা মাগী মাগী ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখি। ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অদুদা ৱাখল্লোন অহুম থোক্লা নৈনজরবদা, মীওই খরা অমনা হায়রিবনা মীতৈ ঐখোয়না মীগী পঞ্জাবীগী মীংথোল সিংহদু শীজিন্নরুবগী পাউমীশিংদুনা চমম্নদুনা ফোঙলক্লি ওইরমগনি অসিনি। অতোপ্পা খরা অমনা ফোঙলিবা পাউমী কাঙবু অদু পাউ কূপ্পা লৌদবা, পাউ মুন্না নৈনদবা লোয়ননা ইন্দিয়া ময়োল্লমশিংনা ঐখোয়বু থৌশাদবনি অসিনি। অদুগা মশীং য়াম্বা কাঙবু অমনা ফোঙদোক্লরক্লিবনা, ঐখোয় ময়াংগী মীংথোল সিংহ/দেবী শীজিন্নবা তোক্লসি হায়বসিনি। ফোঙলক্লিবা পাউ অদুসু ঐখোয়গা য়ূমথংননা লৈরিবা লৈবাক্কী ‘নাগালেন্দ পোষ্ট’ হায়বা অদুদগী ওইরমখি। মসিমকসু নাগালেন্দগী নাগা পাউমীশিং অদুনা থৌওইনা তৌরিব্রা হায়নসু খনবা য়াই।

ঐখোয়গী লমদম অসি নাৎকী কুম্মৈশিং অমসুং শান্ন-খোৎনবনা মালেমদা শক তাকই হায়না চাউথোকচরিবনি। শক তাকপা হায়বসিদা শক্তম অমদি ইচেন্দা চেন্নরি। মীতৈ ঐখোয়গী শক্তম তাকপদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি ঐখোয়গী লোলনি। মীওই ফুরুপ অমগী মনুংদা লৈরিবা মী, পোৎ, শা-ঙানচিংবা অসি মশাগী লোলনা মমিং অমমম থোন্দুনা খঙনরিবনি। ঐখোয়গীদা লৈতবা করিগুম্বা খরদা ইশাগী লোন্দা মিং থোলহৌদবা য়াওরগনা অতোপ্পগী শীজিন্নবসু অদুমক য়াওনরি। ঐখোয়দা লৈতবা নৎত্রগা অতোপ্পদগী পুথোরকপা ওইরবসু ঐখোয়গী ইরোলদা মমিং থোন্নবসু হোৎনগদবনি। লমদম অসিগী মরু ওইনা মীতৈ ঐখোয়গীদি ইশাগী লোল লৈনা লৈনা মীরোল ৱাইদুনা মীং থোল্লুবা অসিনা ঐখোয়গী শক্তম তাকপদা হেক হেক চমম্নহনবা থোকপা য়ারোই। ১৮শুবা চহীচাগী অঙনবা শরুক্তা চঙলকখিবা মপানগী লাইনীং অমনা লমদমসিগী লৈজরম্বা লাইনীং পরৈবু খুদুম চনখিবদগী লৈবাক অসিগী মমিংদগী হৌরগা ফুরুপ অসিগী মীওইশিংগী মীং থোনবদা ময়াং লোনগী মীং থোনজিল্লকপা হৌরকখিবনি। মসি ঐখোয়গী শক্তম্বু মুখৎনবা থৌশিল অমা ওইনা চথুরকখিবনি, অদুগা মীয়ান লাইনীং অদুবুনা মতম কুইনা হিংবা ঙম্নবা চথুরকখিবা থৌরাংনি। ঙসিদি মসি খঙনরক্তুনা লেপ্তুনা হোংদোক্লরক্লি।

ঙসি ঐখোয়গী লমদম অসিদা মীওই কয়া অমনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা লৈবাক্কীদমকনি হায়দুনা থবক তৌরনি। খুন্নাইগী থবক্তা কাউথোক্লবনি হায়বা, লৈঙাক ৱায়েল য়াওবদা, মহৈ মশীন তাকপী তম্বীবগী লমদা, খোরিরোল শুবদা, নাৎ কনবা অসিনচিংবা। হীরমশিং অসিগা মরী লৈননা অখঙ-অহৈ কয়া অমা মীয়াম তিনবদা ৱা ঙাঙবা, রেদিও, টি ভিদা নুংতিগী খন্না নৈনবদা ৱা ঙাঙবা কয়া। হায়রিবশিং অসি মখোয়সু লৈবাক অসিবু নুংশিবা, লৈবাক নীংজবা মীওইশিংনি হায়রিবনি। ময়াম অসিনা পূন্না মশান্না খঙনা নৎত্রগা খঙদনা মাঙহল্লিবা য়াম্না মরুওইবা অমখক্তি ঐখোয়গী লোল অসিনি। মীয়াম মাঙদা থোরক্লবা অয়াম্বা অৱাংবা থাক্তা লাইরিক হৈবশিংনি। লাইরিক হৈরিমখৈ মীতৈলোল ঙাঙবদা মীরোল থেৎপা হেল্লি। মসিনা চৎনবী অমা ওইখৎলক্তুনা ইংলিস কয়া হৈতবা মীফাওদা ইংলিস লান্না লান্না থেৎপা মীসু অদুম য়াওরিবনি। হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বদগীদি হৌজিক সী এম ওইরবা মতমদা নোংথোম্বম বিরেনসু মীতৈলোল লোইনা খঙলিবা মীতৈ মরক্তা ৱা ঙাঙবদা ইংলিস য়াম্না থেৎল-থেৎলগা ঙাঙলি। ইম্পেক্ট টিভিগী রাজসু ইংলিস য়াম্না থেৎতুনা ঙাঙলি। লোনগী নুমিৎ লোল নৈনবদা ইংলিস থেৎ-থেৎতুনা ঙাঙনৈ। ইম্পেক্ট টিভিগী রাজনা, প্রিন্ট মেদিয়াগীদি শেম শাবগী মতম ফংবনিনা খরা ফৈ, টি ভিগীদি খুদক্তা ঙাঙনবনিনা খরা ৱাই হায়। হায়বদি মীতৈ ঐখোয়না মীতৈলোল শেংনা ঙাঙবদা ৱাই হায়বা মতমনি হৌজিকসি। মশ্বাইদনি য়ুনেসকোনা মীতৈলোন অসি মালেমগী এনদেঞ্জর ওইবা লোলগী মনুংদা হাপ্লক্লিবসি।

পোলেন্দদা পোকখিবা, অঙাং ওইরিঙৈদা David Gruen হায়না মীং থোনবা অদুগা David Green হায়না খঙনরকখিবা জিয়ু মচা অসিনা পেলেষ্টাইন্দা লাক্লগা জিয়ুগী ওইবা লৈবাক অমা শেম্নবা হোৎনরকখি। মতম অদুদা পেলেষ্টাইন্দা লৈরিবা জিয়ুশিং অসি কাঙলুপ অমগা অমগা লোন মান্নদবা কয়া অমা লৈরম্মী। David Green না Hebrew লোন অসিনা জিয়ু অপূনবগী ফাওনলোল ওইনা পুখৎলক্তুনা জিয়ুশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নখি। Hebrew গী অরিবা লোনবু নুংশিজবদগী David Green গী মমিংসু David Ben Gurion হায়না ওন্থোক্তুনা জিয়ুশিংগীদমক ইজরেল কৌবা লৈবাক অমা পোকহন্দুনা কুমজা ১৯৪৮দা অহানবা প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইখি। অপীকপা লৈবাক্কী অচৌবা লুচিংবা অমা ওইখিবা Lee Quan Yeau, বৃটিশকী লোইলম ওইদুনা লৈরিঙৈ, লোইলমগী ইরৈ তুরৈ চেল্লিঙৈদা পোকখিবা ওইবনা Lee Hary হায়দুনা মীংথোলখিবনি। মহাক্না নীংতম্বা সিঙ্গাপুর অমা ওইনবা হোৎনরকপদা, মহাক মরৈবাক তশেংনা নুংশিখি, মহাক থম্মোয় শেংখি, মহাক মশাগী মনাৎ, মরোল নুংশিখি, মরম অদুনা মীরোল নপশিল্লবা মহাক্কী মীং অদু মরোলদা শেংনা Lee Quan Yeau হায়দুনা ওন্থোকখিবনি। অসিগুম্বা থম্মোয় শেংবা নীংতম্বগী ৱাখল শেংনা চেনবা অদুনা, পাথি-কোমথিগুম ঙা ফাবম ওইনা লৈরবা লৈবাক অদু নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইহনবতা নত্তনা ঙসিগী চাওখৎলবা মালেমগী লৈবাক্কী থাক্তা পুখৎলমখিবনি। মীওই মীতৌ পীকপা ফুট ৪গা ইঞ্চি ৪ খক ৱাংবদগী "Pocket Hercules" হায়না খঙনখিবা Nuam Shalamanov Turkish চাদা অমা ওইনা বলগেরিয়াদা পোকখি, মহাক অরুম্বা থাঙ্গৎপদা অফাওবা মী অমা ওইখি। মতমদু বলগেরিয়ানা মীশিং লিকপা টর্কিশশিংবু বলগেরিয়ান মীং নমদুনা থোলহল্লি। অপীকপা ফুরুপকী শক্তমবু নমথবীবগী মতৌ অদুবু য়ানীংদবা, মশাগী শক্তম ঙাক্লা হিংনীংবদগী Shalamanov হায়বা বলগেরিয়া মীং অসিবু টর্কিশকী মীং Süleymanoglu হায়না ওন্থোক্তুনা টর্কিদা চৎতুনা শান্নখি। কুমজা ১৯৮৮গী সিওল ওলেম্পিক থোক্লমদাইদা অকনবা য়েৎনবা অমা থোক্লকখি। টর্কিগী মীহুৎ ওইনা শান্নবা য়ানবগীদমক বলগেরিয়ানা টর্কিদা $ 1,250,000 পীগদবনি হায়রকপদগী শেনফম অসি পীখি। Süleymanoglu নীংবা কায়বা তৌদনা শান্নবা থোক্তুনা featherweight তা গোল্ড মেদল ফংখি। কংলৈ লমদম অসিগীসু মতম ঈশৈগী লমদা মাঙজিল থারিবা হুইদ্রোম পুস্পরানি হায়না মীয়াম্না খঙনরম্বা অদু মহাক মশাগী চহী ২৭শুবা, অদুগা ঈশৈ শক্লকপগীনা ২৫শুবা চহীগী ২০১৬তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্কী মীংসু হুইদ্রোম নুরৈতাঙবী হায়দুনা ইরোলদা ওন্থোকখি। অতোপ্পা মী কয়া অমসু মীং হোংদোক্লবসু লৈখ্রে। মসি মখোয়না ইরোল ইনাৎপু নুংশিজরকপা মীশক, মশক খঙলকপগী খুদমনি হায়বা য়াই। নীংতম্বা ফুরুপ ওইনা চাওখৎনা হিংবা হায়বসিদা মশাগী শক্তম শেংনা ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। ঐখোয়গী লম ইশাগী ইরোলদা মীং থোনসি। ঐখোয়গী মীং ইশাগী ইরোলদা থোনসি। ঐখোয়না ৱা ঙাঙবদা ইরোল শেংনা শীজিন্নসি। ঐখোয়না ইবা মতমদা ইরোল শেংনা ইরমসি, মসিনা তুংগী পুৱারী ওইহৌগদৌরিবনি।

---

## ময়োল থোকপা লাই




# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পোষ্ট ওফিসতা থারকপা পোৎ মাঙহনবা লাইবক থীবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**পোষ্ট** ওফিসতা পোৎ থারকপদা পোৎ শোয়ননা য়াওরম্বা, থাখিবা পোৎকা য়াওরম্বা পোৎকা মান্নদবা, টি ভিদা, পাউচেদা কয়া অমা থেংনখ্রে। হন্দক্তা ইমান্নবীগী মচানুপীনা বেঙ্গলোরদগী লুপা লিশীং ২০ লোমগী পোৎ চৈ পোষ্ট ওফিসতা থারকপদা লুপা লিশীং ১৩ লোমগী পোৎ চৈ বোক্সতগী হুত্তোক্লগা লৌথোকখ্রে। লৌরিবা মওংদুসু বোক্সতু ফজনা ওৎখায়রগা অতাঙবা পোৎমখৈ লৌথোকখ্রগা অঙাংগী পোৎ চৈ, ফিরোল খরা থল্লম্বনি। অসিগুম্বা খুবাক ময়ায়দা শাগুন তৌবগী মওং অসিগী থৌদাং কনানা পুবিগদৌরিবনো, মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কূপ্না য়েংশিনবীদুনা অসিগুম্বা অসি মতুংদা অমুক থোকহন্দনবা হোৎনবিয়ু। লাইরিক তম্বা লোইরগা য়ূমদা থোরকপগী নুংঙাইনা য়ূমগী মী খুদিংমক অমদি মরী মতাশিংগী পোৎ চৈ ফিরোল, বেগনচিংবা ময়াম অমা লৈরগা মশাগা কোন্ননা লাক্লবদি য়াল্লনি হায়দুনা পোষ্ট ওফিসতা থাজখিবনি। অদুগা ইম্ফাল য়ৌবদা পোৎ ময়াম অমা ৱাৎলম্বদুদা ইমুংগী মী খুদিংমক মথ্বায় নুংঙাইনদ্রে। অসিগুম্বা ৱারীসি তাবদা মী অতৈনা পোষ্ট ওফিসতা থাজবা লৈখিগদ্রা?

*অদোমগী - চীংলেম্বীসা, থাংমৈবন্দ*

## মতমগী ৱাফম

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**উকলগী** মেরা মীফমদা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা অরিবা লাইশঙশিং শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ১৫ কায়থোক্লে হায়বা ৱাফম্থু থৱায় হকচাং য়াওনা হন্না হন্না থাগৎচরি। মতাং অসিদা লুরিবদি - অরিবা লাইফম হায়বা অসি করম-করম্বা লাইফমবু ওইগদগে হায়বা অসিনি। ময়েক্কীদি উকলগী মীফমদা লাউথোকপনিনা উমংলাই খুভমগী মতাংদা ওইবা তাই। শম্না হায়জরবদা উমংলাইগী শঙলেন অসি মণিপুর কলচরগী শঙলেননি। হায়রিবা শঙলেন অসিদা মণিপুরগী কলচরগা মরী লৈনবা জগোয় ঈশৈ অমদি থাঙ-তা, শরিৎ-শরাৎ, মুক্না-কাঙজোঙ, লমজেলনচিংবা স্পোর্টসকী থৌরম কয়া কয়া পাঙথোকপা মরম্না পাক চাউবা লমগী মথৌ লৈবনা লুপা ক্রোর ১৫ হায়বা অসি করিসু ওইদে। অদুবু উমংলাইগী লাইফম মফম অমদি কম্পাউন্দ লোয়ননা লৌফম্নচিংবা য়ামদ্রবদা খরা খরা মশাগী লৈজবনা লুপা ক্রোর তরামঙা থাদরবদি মওং খরদি তানা শিন্নবা য়াগনি খঞ্জবা লৈ। মতাং অসিদা থমজরিবা ৱাফমদি ৱাফম অসি চীনগা খূৎকা চানহনবীরবদি য়াম্নমক ফগনি খঞ্জে। ৱাফম অমনা উমংলাইদি স্পোর্টসকসু মরী লৈনজবনা ফজবা কম্পাউন্দ থমদুনা স্পোর্টস চাওখৎহনবদসু মতেং ওইগনি। মতৌ অসুম্না তৌরবদি (১) আর্টএন্দ কলচর (২) স্পোর্টস অমসুং ত্রেদিসন্নচিংবা পূন্না চাওখৎহনবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি খঞ্জে।

*অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন অমুবা*
*নিংঙোম্বম, ইম্ফাল ৱেষ্ট*